# সব–জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ



ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা) না শীন্দুনা থা অসিগী ২৬তগী লৈবাকসিগী ষ্টেট ১৭ না শরুক য়াদুনা কোদোমপোকপি স্পোর্টস গ্রাউন্দ ৱাংজিংদা চথরক্লিবা সব–জুনিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭–১৮ নোং–চিংগী ফিভমনা মরম ওইদুনা গ্রাউন্দ অসিদা শান্নবা য়াদবদগী আর্টিফিসিয়েল তর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা ওইনা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অনীদা চান্দিগর অমদি দিল্লি মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা মেটচতা চান্দিগরহ অমদি উত্তর প্রদেশ টিম অনীনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু চান্দিগরনা গোল ৩–০ মায় পাকখ্রে।

অকনবা নোংলক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুদা চান্দিগরগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী মিনট ১২ অমসুং ৪৫দা অনজুনা গোল ২ অমদি মিনট ২৪ চৎপদা পুজানা গোল ১গা চনখি।

ঙসিগী অনীশুবা মেটচতা জম্মু এন্দ কস্মির অমদি দিল্লি টিম অনীনা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অদুবু মেটচ অদু নাকল নামখক্তগী ওইখিবগা লোয়ননা দিল্লিনা য়াম্না লাকচনা গোল ৩৪–০ দা জম্মু এন্দ কাস্মিরবু মায়খিবা পীখ্রে।

# অনীশুবা এসিয়ান কোম্বেট গেম ২০১৭দা শরুক য়ারুবা শান্নরোইশিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ঃ

মার্সিএল আর্টস এসোসিয়েসন ওফ এসিয়া স্কুল গেম এসোসিয়েসন ইন্দিয়ানা শীন্দুনা হৌখিবা ওক্টোবর ২৬তগী ৩০ ফাওবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়ম গুৱাহাটিদা ইন্দিয়া য়ুম্বু ওইদুনা চথরকখিবা ২শুবা এসিয়ান কোম্বেট গেম ২০১৭দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়াখিবা গোল্ড মেডল ২০ লৌরকখ্রবা শান্নরোইশিংবু উৎলৌ মমাং কম্যুনিটি হোলদা উৎলৌ গ্রাম পাঞ্চায়াটকী ৱার্দ নম্বর ১গী মেম্বর পেবম ইবোমচা অমদি য়ুঠ লান্নর স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

পাঙথোখিবা অনীশুবা এসিয়ান কোম্বেট গেম অসিদা ইন্দিয়াগী কুং ফু শান্নরোই ২৪ শরুক য়াখিবদা শান্নরোই ২১ না গোল্ড মেডল অদুগা শান্নরোই ৩ অমনা সিলভর মেডল লৌরকপদা মণিপুরদগী পুন্না শান্নরোই ২০না গোল্ড মেডল লৌরকখিবনি।

পাঙথোকখিবা মশান্না অসিদা টিম কোচ ওইনা ডাঃ হুইদ্রোম রোমেন সিংহ ব্লেক বেল্ট ৪শুবা দান এসোসিয়েসন, কোচ এ পিন্টু দেবী ব্লেক বেল্ট ৩শুবা দান অমদি টিম মেনেজর ওইনা এল সিংঘাজিৎ সিংহনা লুচিংখি।

টিক কোচ ওইখিবা ডাঃ ঐচ রোমেননা ফোঙদোকখিবদা অসিগুম্বা মশান্না অসিদা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা মণিপুরদগী শান্নরোই কয়া পুথোকপা ঙম্বা অমদি মশান্না অসিদা মালেমগী ওইনা ইন্দিয়ানা শোইদনা মকোক্তা লৈবা ঙমনবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা স্বিজ ইন্দোর টেন্নিসকী সিঙ্গলসকী টাইটল ফঙখ্রে, আর্জেন্টিনাগী পোত্রোনা রন্নর্স অপ তাখ্রে



*স্বিজ ইন্দোর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল ফঙখ্রবা রোজর ফেদরর (য়েৎ) অমদি রন্নর্স অপ তাখ্রবা আর্জেন্টিনাগী পোত্রো*

বাসেল, ওক্তোবর ৩০ঃ

স্বিজরলেন্দনা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি বাসেলদা পাঙথোকপা স্বিজ ইন্দোর এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং লোইশিনখিবদা নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অদুগী য়ুম্বু লৈবাক ওইরিবা স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে। অদুগা আর্জেন্টিনাগী জেন মারটিন দেল পোত্রোনা রন্নর্স অপ তাখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা রোজর ফেদরর অমসুং আর্জেন্টিনাগী টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা সিদেদ শান্নরোই জেন মারটিন দেল পোত্রোগা লম্বা তৌনবদা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই অদুনা অহানবা সেট অদু রোজর ফেদদরবু অকনবা লম্বা পীদুনা ত্রাইব্রেক ফাওবা য়ৌরকখি।

মখাতানা শান্নরোই অনীগী পোইন্ট মান্নদুনা অদুমক লাকখিবদগী লোইশিল্লকপদা আর্জেন্টিনাগী পোত্রোনা পোইন্ট ৭–৫তা হেন্দুনা স্বিজ ইন্দোর নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট পোত্রোনা থোইখি।

অনীশুবা সেটতা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা স্বিজরলেন্দগী শান্নরোই রোজর ফেদররনা পোত্রোগী সার্ভিস গেম অমা য়াম্না মরূওইবা মতাং অমদা ব্রেক তৌবা ঙমদুনা ৬–৪ দা থোইরগা ফাইনেল মেটচ অদু শান্নরোই অনীমক সেট ১–১ মায় পাক্কুনা লৈনখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা দিসাইদিং সেট অনী অদুদা আর্জেন্টিনাগী জোন মারটিন দেল পোত্রোনা ফনা কন্না হোৎনরবসু রোজর ফেদররনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ঙন্না মুনখিবদগী সেট অদু ৬–৩দা থোইরগা ফেদররনা টুর্নামেন্ট অদুগী নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌখিবনি।

টুর্নামেনট অদুগী নুপাগী দবলস কাংলুপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইখিবা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিক অমদি স্পেনগী মার্সেলো গ্রানোলর্সকী পেয়রনা ফ্রান্সকী এফ মারটিন অমদি ই রোজর বেসেলিনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীবা ঙমদুনা দবলসকী চেম্পিয়ন ওইখি।

দোগিক অমসুং গ্রানোলর্সনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা য়ু এস এগী পেয়র এন মোনরো অমদি জেক সোকপু ৭–৫, ৬–৩দা থোইরমদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

নাকল অমরোমদা ফ্রান্সকী পেয়র এফ মারটিন অমদি ই রোজর পেসেলিননা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুদা ক্কালিফাইয়র ওইনা শরুক য়ারকখিবা প্লেয়র ওষ্ট্রেলিয়াগী এম দেনিএল অমদি গ্রেট বৃটেনগী দি ইংলোতকা অকনবা লম্বা তৌনরগা সেট ২–১দা মায় পাকখি।

ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা দোগিক অমদি গ্রারনোলর্সনা ফ্রান্সকী পেয়র অদুবু অহানবা সেট ৭–৫দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেটসু ৭–৬ (৮–৬) তা থোইদুনা দবলসগী চেম্পিয়ন ওইখি।

# ১৯শুবা আইএমএফ নোর্থ ইষ্ট জোনেল স্পোর্টস ক্লাইম্বিং কম্পিটিসনদা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা গোল্ড মেডল কয়া লৌরকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ঃ

ত্রিপুরা স্পোর্টস ক্লাইম্বিং এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা থা অসিগী ২৬তগী ২৯ ফাওবা ত্রিপুরাগী দসরথ দেব স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা ১৯শুবা আইএমএফ নোর্থ ইষ্ট জোনেল স্পোর্টস ক্লাইম্বিং কম্পিটিসন ২০১৭দা মণিপুরগী শান্নরোই কয়ানা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রে।

মেডল লৌরকখ্রবা মণিপুরগী শান্নরোইশিং অদুদি মেন ওপনগী লিদ, স্পিদ অমদি বাউন্দরিং ইভেন্টতা কে সুরজিৎ সিংহনা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রে।

ৱুমেন ওপনগী লিদ, স্পিদ অমদি বাউন্দরিং ইভেন্টতা থাজ সেরামনা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রে।

জুনিয়র বোইজগী স্পিদ অমদি বাউন্দরিং ইভেন্টতা টি ঐচ বোইনাওনা গোল্ড মেডল লৌরকখ্রে।

মেন ওপনগী স্পিদ অমদি বাউন্দরিং ইভেন্টতা এম দি মেনাইসিম মরিংনা সিলভর মেডল লৌরকখ্রে।

জুনিয়র বোইজগী স্পিদ অমদি বাউন্দরিং ইভেন্টতা এন নন্দকুমার সিংহনা সিলভর মেডল লৌরকখ্রে। মেন ওপনগী স্পিদ ইভেন্টতা এম দি সোহেল নৱাজনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌরকখ্রে।

সব–জুনিয়র গার্লসগী স্পিদ ইভেন্টতা ৱাই চাওবা চনুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌরকখ্রে।

# ইন্টরনেসনেল টেন্নিসতা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং স্পেনগী রাফেল নদালনা নুপী অমসুং নুপাগী নম্বর ৱান শান্নরোই ওইখ্রে



পেরিস, ওক্তোবর ৩০ঃ

মালেমগী টেন্নিস মশান্নগী চহি লোইশিল্লকপদা নুপী অমসুং নুপাগী শান্নরোইশিংগী ওইবা পোইন্ট খ্বাইদগী য়াম্না ফঙবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং স্পেনগী রাফেল নদালনা মকোক ওইখ্রে।

ৱুমেন্স টেন্নিস এসোসিয়েসন (দব্লিউ টি এ)গী মকোক মথং তাবগী পরিংদা ঙসি এসোসিয়েসন অসিগী মাইকৈদগী পীথোরকপা খ্বাইদগী নৌবা পোইন্টশিংগী মনুংদা রোমানিয়াগী সাইমোনদা হালেপনা পোইন্ট ৬১৭৫ ফঙদুনা নুপী শান্নরোইশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক ওইদুনা লৈরি।

মমাংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী দেনমার্ককী কেরোলিন ৱাজনিয়াকিনা ঙরাং শিঙ্গাপুরদা লোইশিনখিবা দব্লিউ টি এ টুরগী ফাইনেলদা য়ু এস এ গী ভেনস ৱিল্লিয়মসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–৪দা মায়থিবা পীদুনা হান্না ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী পোইন্ট ৬০১৫ ফঙলগা অহুমশুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমখি।

স্পেনগী গারবিন মুগুরুজা পোইন্ট ৬১৩৫ ফঙলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

নুপীগী মখা তাবা পোজিসনদা লৈরিবা শান্নরোইশিং অদুদি মরিশুবা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিস্কোবা, মঙাশুবদা য়ু এস এ গী ভেনস ৱিল্লিয়মস, তরুকশুবদা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিতোলিনা, তরেৎশুবদা লাতবিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেংকো, নিপানশুবদা ফ্রান্সকী কেরোলাইন গারসিয়া, মাপনশুবদা গ্রেট বৃটেনগী জোহানা কোন্টা অমসুং তরাশুবদা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোবিসনি।

নুপাগী এ টি পি ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা স্পেনগী শান্নরোই রাফেল নদালনা পোইন্ট ১০,৪৬৫ ফঙলগা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান পোজিসন অদুমক ফঙদুনা লৈরি। স্বিজরলেন্দগী রোজর ফেদদরনা পোইন্ট ৯,০০৫ ফঙলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

নুপাগী মকোক থোংবা শান্নরোই অনীদগী মখা তানা লাক্লিবা শান্নরোইশিংগী পোইন্টশিং অদু য়াম্না চাওনা খেৎনদুনা লৈরি।

পোইন্ট ৪৭৯০ ফঙলগা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। মঙোন্দগী পোইন্ট ৩৯০ হন্থরগা পুন্না পোইন্ট ৪,৪০০ ফঙলগা জর্মনিগী শান্নরোই এলেকজেন্দর জ্বেরেব লৈরি। মঙাশুবা পোজিসনদা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক পোইন্ট ৪১৮৫ তা লৈরি। পোইন্ট ৩৯৩৫ ফঙলগা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম ৬শুবা পোজিসন তাবা ঙম্লি।

মমাংদা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা সাবিয়াগী নোবাক জোকোবিস পোইন্ট ৩৭৬৫ ফঙলগা তরেৎশুবা পোজিসনদা লৈরি।

বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিত্রোবনা পোইন্ট ৩৬৫০ ফঙলগা নিপানশুবা পোজিসন ফঙলি। অমরোমদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারেংকানা পোইন্ট ৩৩৬০ ফঙলগা মাপনশুবা পোজিসনা লৈরি। অদুগা বেলজিয়মগী দিবিদ গোফিননা পোইন্ট ২৯৭৫ ফঙলগা তরাশুবা পোজিসন লৈবা ঙম্লি।

# নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপ্তা অরাবিন অমসুং আর্ঘিয়াদিব অহুমশুবা রাউন্দা মায় পাকখ্রে

পটনা, ওক্তোবর ৩০ঃ

বিহারগী কোনুং পটনাদা পাঙথোক্লিবা খাদি ইন্দিয়া নেসনেল চেছ চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অনীদা অরাভিন চিন্থবরম অমসুং আর্ঘিয়াদিব মায় পাকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা অরাভিন চিন্থবরমনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দ মেটচ অমদা আর আর লক্ষমনবু মুভ ৯৫দা মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ অহুম লোইশিল্লকপা অসিদা পোইন্ট অনী ফঙলগা ঙসি মায় পাকখিবা অতোপ্পা শান্নরোই আর্ঘিয়াদিব দাসকা পোইন্ট মান্নদুনা লৈরি।

আর্ঘিয়াদিব দাসনা ঙসি দিপন চক্রবর্টিবু মায়থিবা পীদুনা নুমিৎ অসিগী শান্নখিবা টেবল ৭কী মনুংদা মায় পাকখিবা টেবল অনীগী মনুংদা অমা ওইখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহুমশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ঙসি মায় পাকখিবা অরাভিন, আর্ঘিয়াদিব, লালিট বাবু অমসুং এস এল নরায়ান পোইন্ট ২।২ ফঙলগা মাংজিল থামিন্নরি।

লালিট বাবু মমাংগী রাউন্দ অনীদা পোইন্ট ১.৫ ফঙলগা লাক্লবা মতুং ঙসি হিমানসু শর্ম্মগা শান্নবদা ড্রো চৎপদগী পোইন্ট ২দা লৈখিবনি। মহাক্কা মান্ননা এস এল নরায়ানসু মমাংগী রাউন্দ অনীদা পোইন্ট ১.৫ ফঙলগা ঙসি দেবাসিস দাসকা শান্নবদা ড্রো চৎতুনা পোইন্ট ২ ফঙলগা মকোক থোংবা শান্নরোই ৪গী মনুং চল্লিবনি।



*অহুমশুবা রাউন্দ মায় পাকখ্রবা অরাভিন চিন্থবরম*

# মণিপুর কুং–ফু মেন এন্দ ৱুমেনগী ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ৩০ঃ

চহি অসিগী নভেম্বরগী তাং ১গী অয়ুক ৮ তাবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা লৈবা স্পোর্টস দিপার্টমেন্ট মণিপুর কুং–ফু মেন এন্দ ৱুমেন টিমগী সব–জুনিয়র, জুনিয়র অমদি সেনিয়র টিম শেম্নবগীদমক ত্রাইয়েল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ত্রাইয়েল সেলেক্সন অসিদা খল্লবা শান্নরোইশিংনা চহি অসিগী নভেম্বরগী তাং ২৫দগী ২৭ ফাওবা টমিলনাদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১শুবা নেসনেল কুং–ফু চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবনি হায়রি।









Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*